# খুত্তেকপদুগী শৈরেং

কে: ধীরেন

# খুত্তেকপদুগী শৈরেং

অইবা

কে, ধীরেন

মমল রুপা ৫.০০

MANIPUR UNIVERSITY LIBRARY
132/Man

অহানবা ফোংবা

মার্চ ৩১, ১৯৭৬

অকোংবা—অইবা

লাইব্রিকসি ঙন্নমক অইবগীনি।

---

নম্ফমঃ—খোংনাংথাবা প্রেস, লমলোং কৈথেল। অফোংবা—অইবা

M. S. K. A. না শেম্লুং পিবা

# মনুংদা

খুত্তেকপদুগী শৈরেং (১)
ঐ হিংলিদ (৪)
ইমুংদুগী ৱারী (৫)
মায়োক্ত (৭)
লমশি মরূ (১০)
শনরেম্বী থোরক্লো (১৪)
ঙরাংদগী ঙসি (১৬)
মন্ত্রিগী ডাইরি (১৯)
মাগী পুন্সি (৪০)
অরিবা লাইরিক (২১)
হংগী লাই (২৩)
মসিস্তু হিংলিবনি (২৪)
মৈত্রবাকী সমাজ (২৫)
কৈদৌটৈঙ খংনরকদব কোন্নুগা (২৯)
অমহাদনি ঐখোয়দি (৩১)
অন্দ্রোগী মৈ (৩২)
সুমিৎ উদ্রবদা মণ্ডাল অমৈদ (৩৩)
ও ! (৪৬)
থরোই অহান্বা (৩৮)
পংথহল্লম্মী (৪০)

খোঙচৎ অমা (৪৩)
কংলকপা মীংচৎ (৪৪)
বাশক (৪৫)
কায়দে খল্লগুমসি (৪৮)
লমচুই নাহেবগী শাসন (৪৯)
পুবিথি ঐবু পৃথিবীদগী (৫০)
সাহিত্যগী য়াওল (৫২)
স্নখোং অনি (৫৩)
গনতন্ত্র দিবস পালনগী সুমিৎতা
পিবা পাওজেল (৬৫)

# খুত্তেকপদুগী শৈরেং

খুত্তেকপদুনা ইখি—
শৈরেংবু পাউখোং ওইনা চনখি হিংলিবা কাংবুদ
শকখি অশিবগুম্না মীওইবনা, ভাখি নুঙাইনি খনবদ ।

কিশিনা কিরিবা কোম্না থোকপা ঙম্নবা ইরাই লাইনা
খঙনিংবা কাংবুনা পুন্সি হায়বদু করিনো হিংলিবা
ঐগী রাহৈ ময়াম অসিদা য়েক্লুনা শেম্বগুম মচুনা শক্তম কম্না
নঙনা পৃথীদ লৈরে খঙলকপদে ঙসি ফাওবদা হংলক্লিবা রাহংশিং

অনৌবা লাইওং খংদ্রবা লাইনানা নারবা
শিগদবগী ঙাইদুনা লৈরবা চৎনবী য়াওদ্রবা
হকচাং অদুনস্থ হংলম্মী—"ঐবু কৈদৌঙৈ ফরক্কবা?"
মদুগী পাউখুম ওইবা য়াত্রা? য়েংসি-য়েংউ খুত্তেকপগী শৈরেংদুদ

চেদ য়েকপা পুন্সি ঙাক্তগুম ওইরক্লবা
মীওইবৈ ঈ-তোংশা কয়ান, ঈশিংন উন মপং ওইখিবগুম
পুন্সি খুদিংমক' সোরোক ময়াইদা খিম্নবা
নুংঙোগী শক্তম ওইরক্লবদ চৈরোংগুম্ব শরু পোলাংগী,
মতম'দুদ ভাইবং শেম্নবা, অনৌবা মী শেম্নবগী
মন্নগী শ্লোক য়াওরমগদ্রা,য়েংসি-য়েংউ খত্তেকপদুগী শৈরেংদুদ ।

চাউখৎপৈ অকনবা নোংলৈ মুংশিংনা
মীওইবৈ মুংঙাইনবা চৌংগুম্না ইন্দ্রি ময়'মু হুমদুনা পুখৎগ্রবদা
অকনবা অনৌবা মুংশিনবগী, চিংশিনবগী শক্তি অমা
পৃথ্বীগী চিংশিন্নবা শক্তিদগী শকক চাম হেন্না শক্তি লৈবনা
চিংশিন্দুনা 'মুক খিনবা ঙমগদগে, 'তুগুম্না চৌংতুমদু, মুংগী মুংঙাইবা
অনৌবা ফোরমুংগা চিংশিন্নবগী শক্তি চাম হেনবা য়াওরমগদ্রা?
য়েংসি-য়েংউ খুত্তেকপদুগী শৈরেংদুদ ।

নোংদম্বা হায়বা খোয়ুমদো
মীওইবনা ফাদুনা করিগুম্না. মশাগী মরাইবক মশানা লেপচরফাওবদ
পেন্দবগী থম্মোইদ পান্দুনা লৈরবা মীওইবনা
থাবমথৈ পেনবা য়ানবা পেন্দুনত লৈরবা থরাই শাবা ঙম্নবা
অনৌবা ঈশ্বরগী মশকপু উগদ্র? য়েংসি-য়েংউ খুত্তেকপগী শৈরেংদুদ

থাজবদগী ঈশ্বর ফংনবা তাম্নকবা
থাজবা মাংলবা তাইবংপানবগী থম্মোইদ
পিবা ঙম্মু য়েংশি অমুক হেন্না থাজনবা তাইবংদ
মদুমক্না ঈশ্বরবু মখুৎমক্না ফংবা ঙম্নবা উপায় য়াওব্রা?
য়েংসি-য়েংউ খুত্তেকপদুগী শৈরেংদুদ

হিংবগী লাংদগী নাস্লোকপা ঙমজত্রবা
থরাই হায়বা হিংননবা হিংজরিবা
হকচাং অদুদ অমুক্ত ভাইবং জগৎকী য়াইফনবা খনবা
থরাই অমা ওইরকপা ঙস্রা, য়েংসি-য়েংউ খুত্তেকপদুগী শৈরেংদুদ ।

পেন্দবদগী শিজনিংবা
পেন্ননবা হোৎনবগী ফংনিংবা ব্রখল অমদা 'মুঙাইজরকপা'
পেন্নোকপদগী সমাজদ খোঙফম লৈত্রবা, খুনাম মুৎকদোরবা
মীওইবা সমাজদা চপ মান্ননা থম্বা য়ানবা,
খল ওন্নবা য়ারমগদ্রা? য়েংসি-য়েংউ খুত্তেকপদুগী শৈরেংদুদ ।

লমথুংফম খঙদনা ককঙাওনরিবা, চিরোল খারোল তৌদুনা
মিংচত্তা ঙাওজবা কয়াগী মিংচৎ ফংননবা পাম্বৈ
মুংশিবদা ঙাওজবা কয়াগী মুংশিব ফংনবা পাম্বৈ
পাম্বৈ অমা হেক্তা মখোয়গী লমথুংফম য়োনবা পাম্বৈ;
পাম্বৈ কয়া য়াওরমগদ্র? য়েংসি-য়েংউ খুত্তেকপদুগী শৈরেংদুদ ।

আঃ—
মানা মখুৎ তেকলমদ্রবদি
মানা মখুৎ তেকলমদ্রবদি—।

# ঐ হিংলিদঃ

মুমিৎ থোক্লি
খা থোক্লি
খরানমিচাক ঙালি
ঐসু হিংলি
মুমিৎ তাখি
খাশি ওইরকখি
অদুবু—"ঐ হিংলিকো"
চমশ্লরকই খল্লুবদা
হিংদ্রমাল্লে অমুক
সমাজসিদ ঐ
রাখল লৈত্রবা মীওইবদা
মচা মর'গী, তাইবংপানবগী
অমা চৎথ্রগা অমা লাকপা
মী কাংলুপ মাংখিদনবা
হিংখিত্রা
হিংলিত্রা
হিংলকখিগদ্রা ?
ঐদি হিংলিমাল্লে
ঐ হিংলিদঃ ।

# ইমুংদগী বারী

মপাচনা কাংমুকচী
ঐগী পাজিনা থনম্বা
পুযা পুরন তবিবা
ল ইরিক ভাগেনি অশিবন ।
ডুন ভসি ঐনা শিন্নবনসি নংশযদা
সংগন যদা১ ওনবা যদে ।
মপাঙনা নৈশিগ্রনা মতুংদ
মচাদুন 'নুক কোন্দুনা, লৈহৌবে পুয়াংকিং
ওংন লকখি লাইরিক ইবা অমা লৈননবা,
ফিশিদে মচাঙন, ল ইওইবব পুয নি নিংদুনা
লাল্দুনা থমখি লৈবি ভসিফাও—
পুযা লোইবিবা মুপাদু,মশম খাকুনা।
মখজিন খাক্তুনা, লৈখ্রে পুযা মযাদ
মযুম পানখিদ্রে ব্রহ্মচারি চৎখ্রে ।
মনাও মুপাড়ুনা পুবখি—
মশম তঙ্খাই কবপি মীতৈ মুপী 'মথক
পুমশুপ শুপখি ইমুংদুদ, মাগী ব্রাখল মখাদ
মনেশ্বোরা কপখি—
যু ভাওখি মুপীজন।
লাইবিক হৈবা মরাদু, মানা ভমখি ফজরুবদগী—
পুযা কোন্দুনা ভাওরিবা, ময়াম্বু হু চৎখ্রে

ফৈয়েংদ—

অন্দ্রোদ—

পুয়া ময়'ম পাকনবা

নোংচুপকী চৎনবী পামজবী,

মরা মপুম্নোইবদু চেনখ্রে—

সুপীদুগী ফজবদু খুইথঙদনবা হোৎনবদ

ফাদোক তাখ্রে, খ্রানোম শেল চারুবদগী

মমাদুনা ইমুংদ

শিদুনা লৈরম্মী মক্তে মত্তা—

মচা পোকচবগী মরৈ—

ঙন্তা চাখি হন্নবী

পাল থাখি, হন্নবী— ॥

# মায়েক্ত

হাওরৈবী শম্বুবী ওনখি
সুরা শাম্বুংলম্বী, মৈদিঙ্গু থোঙনাওঙম্বগী
মুশি মশুংলাংগী, অঃ সুশিবা সুংশিদকো!!

লাকখি মীয়াম—
মীয়াম, পৃথিবীগী মৈশমশংসদ
যোৎহিল্লং থাংজুনা বন্দি ওইনখি অপাম্বদগী।

লাওরনখি,
চিংথংপিযু ঐবু
পুনাগী কোংসিদগী, লৈজনিংদ্রে পৃথ্বীদগী
নতুং ইল্লকবা, নতুং ইল্লক্রবা, চৎমিন্নবা
মসিনা পেন্দবগী ব্রা ওইবমাল্লে, সমাজসিদ কিংদনবগী।

চাওববা জগৎকী
পিল্লবা মাগী কাজুদ, মমিৎ পাংন মমঙ মঙখি
কুনশুবা শতাব্দীগী ফোরগ্রেড চম্পাসী অমনা
তুংগী মীতৈ জাতিগী, হেৎশ্রবা ঐখোয়গী জাতি
ইতিহাস পবিং অমদা মানা উখি—

মীতৈ অহল অমনা,
মোংম্লাম্বা নিংথৌবু কৌরদুনা কপখিবা

লাইরিক ইবা অমনা
　　গরীবনিৱাজ মহারাজবু নিন্দা তৌখিবা
চাক্লিবী লুখ্রাবী অমনা
　　ভাগ্যচন্দ্রগী খুনাম থিরদুনা চৎখিবা
মরৈবাক নুংশিজবা অমনা
　　১৯৪৯গী ওক্টোবরগী তাং১৫গী পেন্দাবা
　　বোধচন্দ্র মহারাজনা ঈরৈবাকচাগী য়েংবিরমবা ।।

মমঙ মঙবা লোইদ্রিরৈদে
হৌদোরকখি মাগী মরুপ্পা
　　লৈবুং ফমদুনা রাহেন চংদুনা
নৈনখি লুরবা নৈবাক্কী, পৃথ্বীগী—
　　　　অমদি ময়ামগী
লমচংপু খোঙ্গাওনখি, হিংনবগী লানফমদা
　　লানওম ফিরান থেংলবী লুখ্রাবীদা
　　জীববু য়োকখৎনবা, মীনুংশি য়েন্থোক্নবা
　　মচাবু মহৈ তমহল্লী, মাগী হকচাংনা
　　নোংমগী অশিংপা মমন্দা য়োন্দুনা ।

মাগী নুংশিববু বিশ্বপ্রেমগী নুংশিবনি খন্দুনা
　　পাপ-পুন্য থিখিদে নুঙাইনবা হোৎনবদা
　　মীৎকুপ অমত্তং নুঙাইবনা পুন্সিগী মহাওনি খনখি ।

# শৈরেং/২/৭৬

মকোক য়াওদ্রবা,

হুজিক্কী মীয়াম্না—

থাইনগী মঙ্লবা বোম্নুংগী মতোন্দগী

অমুক য়াংনা পায়খৎখিদুনা লংজ গুম্না

য়েংথরকই, "গনতন্ত্র"গী গনতন্ত্র চৎচবা প্রজাদ

ভোট পুমিন্নুংদ ফংজবা গনতন্ত্র-"গনতন্ত্রগী অর্থ ওইনা"

অসিগুম্বা ইতিহাসকী

অশোয়বা কযাগী মায়োক্ত, মী কয়া মফি শেম্লি

মফি শেম্লি ওরাংদগী, ওসিস্তু শেমখিনি, হয়েংস্তু শেমখিনি।

আঃ— কৈদৌঙৈ মথৌন'দু উজগদবা ইগিৎসিদ।

অশোয়বশিংনি চুমথোকখিদুনা, মখোয়শি সিগী ময়েক্তা

অচুম্বা অমা পুররব, মফি শেম্লিবদু লোইশিল্লক্কদবা ?

## লমশি মরু

### শজিবুনি অয়ুক্কি

শাংঙনি তঙ্গাংন ফজরবা অতোয়গুলাব
বসন্ত কৈথেল. নুংশি কৈথেল
পোশ নরে থম্মোই অরাবা কোক্লাই
নুংশি নাপ চিখোল তম্ব তম
থেঙনৈ, চিনৈ, থুদোলনৈ
পাম্মু, থুদোল, তথেনৈ মাচোম
মোল্লাংথাদ, নুংশি নাপদ মখুংলাং।

থম্মোই শোকপা কনাগী
কাম্বন তেংথা তে থাথোল
থম্মোই শোকপা থম্মোইখোল
চিক্ক-চিক্ক মিকুপথোল
চৈকুংলোংগী-চকুংলাংগী
লাংশিল্লোই শনা য় উথোং
পোল্লবিনি।
তাবিবেইঙৈ নুংশি হ্বাকদ
ওরংরিনি ॥

বসন্তপা কেল্লে উমা মচোম্ম তা
কুকে যেম্বিং, তগাল্ল লৈশাং
শিংথেল কয়াগী লৈরাং কয়াগী
কুজবী, নিংথিবী; কদায়া কদোমদা?

লেপ্সি—

য়ে·ক. কোয়েং য়েংই
মাইকৈ খুদিং লৈন লৈ
শিনগ্রে শরা শন্না চমন্নবা গৈখু
খঙকোঃদ মাইকৈ খুদিং অরু মেখুঃ
চরা কেনবগী তেংথাখোল শাগী লমচৎ শারমচৎ
অচৌবনা মচারু নৈহৎপা, য়ে·হৈগ্রে, লৈহৈগ্রে তাইবংপান
য়েংখিগক্রা ইমা, 'সি য়োরফাওবদা ॥

নোম নোম শগাই তোং
চান লৈতে তখেল থাং
লৈরক অমা শৈশাক অমা
লৈবাক খুদিংগী লৈব কি সেবা
ওইজব থিবা মীংচৎ, মৈরা, তুক্কচৈ
ওা রানা থাংনবিনি ইমা—"য়েংখক্রা?"

কেল্লবাইয়ে
ইমাগী শমজিরৈ মচোম্ব তা
চৎলবোইয়ে
চারিবীগী ফিজেৎ তম্ব হোং
থল্লিবোইয়ে—
হায়বা ইনবা নচাশিংনি নিং

কদায় !—
পলেম তাংজ ফৈয়া থক
য়াহিপ্ল—
খোম্লাং খোমজিন খোয়থুম্ল চুপ
চাউখিবা—
চবৈ নহোং নমদ পো
য়োকখিব—
খারি লবুক্তি মহয় চা
চউমখিবা—

পলেম মাগী ফৈরাম্নুং
অঙাং নাউরা ওইরিবৈঙ
তাদিং জগোই খোংগুকৌন
নমাগী ননাংগ্নু শকখঙহন্
য়োক্লকপা, থাক্লকপা, মিবক হিলহক্লকপা
কাউগ্রবোইয়ে পলেমগী লমনদি—?
লুদ-তোংদ ঈগী ঈচেলা কংলবা
থরাই য়াওদ্রবা হকচাং পোলাংগুম, লেপ্লিবা
উরত্রা সমাজসে ?

হা কৈবু কৈওইবা
ননিং নমাং হেত্রোং হো
নতু লৈম কাং কোক

বদায় চৎখে
নপাবি নগোম ইমাগী

কং ন ঈনবা ইমাগী য থোং
মিংলুদ পিরাং অ হান ফুহন শিন
য ক থাং বাঃ দ নবিসুং—"অৱাবনা" ।

খোম্না নন শি ডমাদ্রে ইমাগী
চাহনবুং ওহ র নঙ্ম ক্ত

তাবিবা ঐচেন, ল নখানো নবি মদগী
মীর া তাহিবা থুম থ খাবি বুক
মাদ্রে জগোই মুচাইবগী, অবব নহুনা

নঙগী নওম্বাক চাওথিব নচাশিং
কল্লক- যংথিনবগী থাং শংনড়ুনা
চৎল, ঙনরে, মচু পিল্লদবগী—
অসিনা পুন্সি
পিংকুপ অমদগী তাইবন্দ

ও। অৱাবনি
নচা থু দংমক্কী মশানা
নঙগী নওম্ব ক্ত থাতারবি, শিরং তুংদ
শোক্র মু ইমা কান্নদ্রবনি ওইকমু মশাহু
ইমাগী নত্তে নৈবাক্কী যেংথিবনি
ইমাগী য়েক্লবনি, লমশি মক্ত ভাত্তনি ।

কম্ম, ইমা !
কম্মকনা নথোনি
যুমথোং খুদিং চং চক্কিবগনি ॥
শুমাং খুদিং লেপ, হিনিরগনি ॥

## ভরাংদগী ওসি

হে কাখিবা—

নঙগী খোর্জৈনা যেক্লম্বা খুন্নাই
অরিবা লাইরিক পুয়া, পুদিন
অচুম্বা রায়েন, চীং তম মীত্রেবাক
শৈশক্লরোইদকো শেদম্বা—অরাবনি !

মিনাংবনা থিরি, মৈঙান !
বদাইদনো, কনাইদনে মৈঙান !!
'মুক্ত য়েংজগেনে মৈঙাল !!!

খুবম্মুসি লাও কৌক্র
অশেংবা মৈতৈগী খুভম
'মন্তা ডাইজরবা লাইফম

লেপ্তবা মতম্না কুমওল্লকবদা
অঙংবা নুঙন ঈশাং- থাংদ
লেপ্তব রাখল ঈচেংগুম
হোংলকই খুন্নাই-"মংম্ম"
শকোকপু পাসিবা, মহাভারতপু কাসিরা
পেনাবু খোংসিবা, সীতারবু শৎসিরা?
খংদ্রে, ইখুৎসিনা
খোংহনগদবা ববিনো?
থোকহনগদবা সুরদো ?

মখোলতবু থোক্লবদি খোংলসিন্না
খশ্মোই হুবদি ঙম্মুদঃ
কৈদৌরুনি-কৈদৌরুনি-খোংজরোই।
নোঙথক্ক তিল্লাং শিংলগাঃ
তারক্কনি ইমাইদা পোপ॥

থাজত্রে—
হকচিক লাংলুরগে, তুরেল মপান্দ
শান্নবা য়েংলুরগে ঈমাইদা-মেন্নাগী থাবলনা
কাউবা ঙম্নগত্রনে-?
মাগী মৈচাক্তো, মাগী মৈচাক্তো
নুংশিবা! নুংশিবা! নুংশিবা!!

খনফম খঙত্রে—
"তুমদুনদুম নৈখোক্লগে
চঙক্লরে! চঙক্লরে—
অমম্বদা পোৎ থিরুবনা
ফংলরোইদকো ফংলরোই।

হো হায়য়ো
হৈ-হা, হো-হায়য়ো
হৈ-হা।
কয়াম রাৎলি লমথুংফম
লাপ্তরে! লাপ্তরে!! য়োরনিদঃ
মাংদ উরিবসিনি—"লমথুংফম"॥

কৈদৌকগদবনো মালিনী
ঈশ্বর মাদি লৈর য়াই
কদায়দনো—কদায়দনো ?
কনানো—কনানো—লাওরক্লিবসে ॥
তাও—তাও—
"খুঙম মুৎকদে ঐহাক্কী
শাম্মোক্লহুনা লাক্লগনি ।"
কারবারগী সেরফালাদ
শেলগা মীওইব' ওক্লিবা
কনানা লুম্বা
লৈহাউ, ঐগী লৈহাউ
শাৎলরে ঐখোয় লৈকোল্ল
চিনিচম্পা, কেতকি, জুবাকুসুম
কদায়, "লৈহাউ পাম্মীদি" ?
মীগী ডাক্ত, মীগী ডাক্ত ।
মাল' ইচিক থেম্ম্‌বি—
হৈনম লৈনমগা লোয়নরবা, বসন্তগী অয়ুক্ত ॥
শাবি লাও লাও; চৎসি লাও
কল্লকপা য়াম্মী. কজাওবা য়াম্মী
মাংদ থাম্মো লাও—।

কে-নবদা চোকথরবা হকচাংসে
    সুংশি মাগী মতম্বাক্ সুভাই তুমথুন হল্লিটৈ
    খোম্নেন মঙলান চাদবু—মঙ্ৎ প্রেম্বরকইদঃ ॥
হায়েদঃ ইমাদি—
খুজেংদগী থ্বাং, খোরি, কোক
কোরৌ শিংবুম অহুমদং
    নত্রবদি ইমাদি—।
মঙফাওনয়োনে ইচাশা
ইশুশিংনা হংলক্রগা নখোয়না
পাউথ্ুম পিগনি-করম্বা ?—
    নোংভানথ্রবদি, হয়েংদি
ইমাদি,—হয়েংদি... ....।

## মন্ত্রিগী ডাইরি

ঙসি মন্ত্রি ওইবা মুমিৎকী চাকলেন চানৈ,
য়ু গ্লাস খেঙ্গাইনরগা থকচিল্লি, হন্নাওনৈ
হয়েংদি পার্টিগী মীটিংনি,
হংচিৎতি যাত্রা হল্লুনি
মশেমদি শঙ্গাবা চৎকনি
মরৌদি টুর প্রোগ্রামনি
মকাকতী—পব্লিক মিটিংদ হা ভাংগনি
মছিংৎতি—বজেৎ সেসন হমগনি
মুমিদাং থুদিংনা অরোনবা কাদ
অমম্বা কাদ, মী উবা য়াদবা থবক
    মসিনি মন্ত্রিনা থল্লিবা
    লৈবাক্কীদক অচৌবা হাথল
লৈবাক্কীদমক ॥

## মাগী পুন্সি

ঐবুদি মীনা শিংথানবিদে
মাবুদি পৃথ্বীনা শোম্নরি
কমদোনা খেন্নথ্রিবনো মীওইবা মশেলদা
মীওইবা ঐখোয় মশেলদ ১গা ১গা ।
ঊশিংনা মীওইবগী থরাইনি
সুংশিংনা মীওইবগী পুন্সিনি
লৈবাক্লা মীওইবগী হকচাংনি—
অদু ওইরবদি ঐ কনানো ?
নঙ কনানো ? মা কনানো ?
কমদোনা খেন্নথ্রিবনো ঐ,নঙ,মা—।
চাংদ, অকুম অয়াংদ
য়াথন্দ, অনেম-অরাংগী
অদুম্না খম্নরবা মীয়াম্না
মতুং ঐন্ত য়ানিংঙলবা ।
থিরুসি শকহেনবা, নঙগী মিংচত্তু
পৃথ্বীগী মফম থুদিংদ
ও !—ঐ কাওথোক্লুরে
পুম্নমকসিগী য়াংমদা, মাগী পুন্সি ।

অ[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible] লম্বেশসিদ
[illegible] লম্বেলক্তদ।

[illegible] [illegible]মাদেলগী [illegible] অমগী
[illegible] [illegible]না থৌবকপা
[illegible] অমনা—
[illegible] শিরে খুদক্ত
[illegible] মধামদো।
[illegible]
[illegible] নগনি
[illegible] লাকবি—
অমনা [illegible] থেকি
[illegible] অবংবা [illegible]ইরিব ওইমগী
[illegible] নিঙ্খাই [illegible] বল্লি
[illegible] পাম্নবা
থমাজননদি কান্নগনি
[illegible],
[illegible] পুশ্রগা, থৌখিরম্মী।

থর লৈরগা হায়নরক্‌খি
ফিলোসোফরদু ঙাওংগ্রে
ঙাওদুনা চৎগ্রে
লায়েংবা চৎখ্রি
হল্লকখিনি।
ফরকখিনি ॥
থাজদেশু হায়নরি।
"থিজিনবদি ফৈ, ম্যাওরমগনি কায়রবা"।
মচানুপাদুনা হায়বদি
পোৎকমদ থল ওন্দুনা
য়োম্ভোরুগা লাইরিকশিংদু
ম্যাওলংগী থরচ ওইননি ॥
লৈত-লাইর ইমুংদুগী র থল অদু উরগা
হৌদোং অদু তুমিন্না কৈশু থঙদনা কপ্লিয়ে
হুই অদুনা মপুগী নিংবা কায়বদু উরগা
খোংলিয়ে !—কপ্লিয়ে ॥
য়ুম্লে ম্রবগী লৈশাবীদুনদি
হৌন-হৌন শারক্রি-অর্থ কবিস্ত থঙদনা
শৈরেং কয়া থাইনগী অমস্তুং হুজিক্কী।
হিজন-হিরাও,য়াকৈবা, মীওইবা অমস্তং রাখল
হিংবা অমস্তুং মীওইবা,মিংচৎ অমস্তুং তুমাই চজিক।

হঙ্গাম য়োনবী মমাচুনা
কাম্রে, তানিংম্রে খল্লচুনা
থাজনবা নুপা অফবা থিরে ।
লৈকাই অমদগী লৈকাই অমা
সহর ১দগী সহর অমা
খুঙ্গং ১দগী খুঙ্গং অমা
অমমমদগী অহৈ অশিং খরদগী
পাউ খর-খর তাম্লরক্তুনা
"লাকখি, থিরাখি, হংলখি
লাইরিক অরিবচু লৈরিব্রা ?

## হংগী লাই

মরিংনা শাবা শংবাইবু
নাম কাংব হৌনব্রা !
মেলাদগী লৈরক্ই —
হংনা শাবা লাই অমা
মতৈ মনাও অনিনা
শিব কিদথৈ শুখি
চাবা রাগুনা শিগ—কোজেং কোকফাইগুম নোম্লগা
কনানস্তু মখোয়গী পুক্নিংগী
রারি অমস্তু নিংশিংলুদে— ।
হংগী লাইচুদি অচুমক লৈহৌরি
শাম্রহৌবি—
মাগী মচা-মশুনা ।
হংগী লাই ॥

## মসিস্থু হিংলিবনি

তাংব যাওব.ক্র—
ইমাগী [illegible] কু [illegible]
জ্ঞান [illegible] ক্র [illegible] ল—
ঘুম পল্লে, সুঙা [illegible]—
চানবা থব ত [illegible] শি [illegible]—পেনখি থরনা

প্[illegible]গী ঈব[illegible] [illegible]ভা
[illegible] [illegible]নথিক [illegible] [illegible]গী ব[illegible] সিনি
[illegible] বনি [illegible]ন্সিগী না[illegible]

[illegible]
সম [illegible] [illegible], [illegible]
রাখ। খন[illegible] [illegible]
ল ই [illegible] [illegible]জাগী [illegible]
চ ব [illegible] [illegible]
ল[illegible]নমা[illegible], [illegible]গ [illegible] খি।

ত[illegible], [illegible] [illegible]
[illegible]গী [illegible]ী অমগী প্[illegible]স্নিবা
[illegible]ম্না [illegible]মল য[illegible]ম্লন[illegible] মনিংনি।

## মৈত্রবাক্কী সমাজ

সহর ।

হোটেল—"ঐজ্ঞা চা অমতা পিবিয়ু"

অমনা—"ঐজ্ঞা চানবা করি লৈ ?"

ও !—মরুপস্থ লৈনিরম্মী

করম করম তৌবিরি—

"মহাত্মা গান্ধীগী সত্যগ্রহ

অহিংসানা অথোইবা ধর্ম্মনি ।"

য়াগদৌরিব্রা, ওইগদৌরিব্রা ?

খংদে মরুপ !

মতুগা লালগা কনানা ফগদবগে

খঙদেনে—

হুজিক্কী রাজনিতী কাংবুসিনা

মশা মশাগীত্ত খল্লি

প্রজাবুন' ফদিগুম্না শুম্নী ।

কৈতি কৈতনা,

মিংচৎ, মৈরা, লৈবাক্কী সেবা

নোক্তুম নোক্লিংই, নেতা মচা ওনদ্রিবা মরুমশিংসে

থাদোকপি রা প্রজাসিংবু, হরিবোল লাওনরে ।

সোরোক, লমজাও, সিনিমা হোল—

থম্মোই পানবা শাবা, হুজিক্কী পাখং-লৈশাবী

ময়ুমদা তলফাওবা লৌরগা চাবশিংগী
মুংশি চিঠী পরেং, খরচ তৌব ঙমদবা
মুংশিবশিংগী থম্মোই লাইমন "লাইরবা খম্বা কাংবুগী"
—হবেপ্সা, রা অসিতদি তাবিখো—
তথি তথি হায়রগা ফেনাৎনা কনশিল্লম্মী—
উপায় লেত্রে "ডেমোক্রোস"

এ! কনানো চেল্লিবসে
কারগীনো মকোক্তি ঙনা পুম্নপ
হায়ারমক্তদা হয়াকে,—শেঙ্গাও লাকত্রে
শেঙ্গাও লাকত্রে, খৎলো খৎলে'।
হাৎলো! হাৎলো!! থৎলো থৎলো!!
কৈথেল মপুং, দোলালি চাবা কাংবু
হঙ্গামপুলাসবু কয়া পিব.গ মথায —
মান্নদে ।কলো কাদবগী" 'নিংবা কায়রবা পোৎ লৈবা"
ফিয়োনকম। সনা লুপা য়োনফম—
লরাহ নিপ ড়ুদ, ফিয়োনবী মোনহাগী মিৎচিগী মমল।
ডাক্তবথ'না,
পুকচেল চাওবা মিৎয়েং
মখোং কোন্দ্‌না— 'ডাক্তর বাবু ঐগী ইমাহু......."
কৈদৌরবা? য়ারবদি অমুক্ত লেংলূসি-
লায়েংমল লুপা ২০,কারদা চৎকনি,-হিদাক য়াওদনা

স্থুক্কবিগনা ডাক্তর বাবু,
মমা সুংশিজবগী মমিৎতগী পি চচুম চচুম
ডাক্তরনা পৈশা সুংশিজবগী মোমোম্নবা মীনোক
ঐদি লাইর মচানি, পৈশা লৈত্রবদি তোক্লেদনা।
ডাক্তর চৎত্রে, অনাবনা মং য়োত্রে।

রায়েলশং—
করি কমদোসি হায়বা
উকিলবাবু ঐগী কেশসিদা ডমহনবিয়ু
পিযু হায়বা শেল পিজগনি
মীগাৎপা মীগাৎত্রে, অচম্বা লানত্রে
জজ্জ মমিৎ লোক্তাং তাংলে,
পৈশা, শেলগী অনৌবা আনোক
অঙাবনা অশংবগুম, অমুবনা অঙৌবগুম।
সুমিৎ ভাশিল্লক্লে,
য়ু য়োনবা দুকান কয়া কাংদোক্লরক্লে,
অহিংগী কৈথেলদা নকু শেকপী, অকিংগী হেলোয়
ওক্তবীগী অনোবা দুকান, লমচৎ য়াওনত্রে।
জুবার শান্নফম্
ভরাতরেৎ লেগুবী, ফ্লাস, ছুরি, কু।
রম, ব্রান্দী, মমা লৈবাকী, সেকমাইগী, অত্রোগী কালৈ—

শৈরেং/২/৭৬

য়াথলবু শেরাম্নবা মওংদা
কদায়দা লোশিনগদৌরি পুন্সি
কদোমদা ঙসিগী পুন্সি, ঐখোয়গী সমাজ
মৈতৈ সুপিগী মথৌনা লৈবী কয়াগী মথৌনা
ঙসিদি আতা য়োনবগী কিউদা, সের ফাদবা য়াম-আতা
শেল পাইবনা পৈথংখিবনা চীংদুম ফাজিনখ্রে
লাইরবনা লৈতৌখিবনা কোংকুৎ শাখ্রে, কুৎশিৎ কুৎখ্রে
মতম অসিদা কান্নরিব্রা,
লাইনিংবগী, কাং চিংবগী, পুজা তৌবগী
সংস্কৃতী থোরমদা লাইব তাল্লবা মৈতৈ
হরে কৃষ্ণ, হরে রাধে, হঞ্জিল্লকপা ঙমখিগদ্রা
১৬-১৭-১৮ শুবা শতাব্দী, হৌখ্রবা ইতিহাস।

## কৈদৌঙৈ খঙনরক্কদবা কোন্নুগা

অনিশুবা খোয়োন হাওবগা
লোৎলম্মী চীংনুং অমদা
    লোৎলিবা চীংনুংতুগী ময়াদ চৎখি
    মশিং থিঙমদ্রবা লাম্মী পয়েং পয়েং
    পয়েং পয়েং লাল শোক্লনবা—

( ২ )

য়াম্না লাপ্পা মফমদগী
হুম্লকপা নুংশিৎনা ত্তাহনখি
    ফৌশু ঈশৈ লংনবগী
মক্লশিংনা পাইখি, লংজাশিংনা হয়াওখি
শেবপিশিংনা নোকখি, লমহুইশিংনা থাগৎখি
    শিঙ্গারৈনা ভপ্পা কেনখি নোঙাল্লমদাই ।

( ৩ )

অককপা মী মকোক কয়া কয়া,
( ফং মুন্নবদগী, থাইনগী মলোমদগী, ল্যালদগী )
লোক্কী ঈশিংগা লোযনবা ঈগী ঈচেল কয়া
কয়না পুথডুনা চেন্থরকখি, মী মকোক ময়াম
নুঙ্গাই মরক্ত, হাওরৈ অথোনবগী ঈচেল— ।।

( ৪ )

উখি লোইনমক

কেকু লোৎলিবা খোয়োন হাওবনা

ঙৈহাক লৈরগা তাখি

লাল ঙম্বগী খোল্লাও—

ঙৈহাক লৈরগা অমুক তারক্লে

অঙাং-মুপিশিংগী মীকপ মীরাওখোল

ইনক নক্লনা পোথানরি

ধম্ম শন্দোকপা মুপাহু

হাওবনা লৈরিবা ময়াদুদ

মুংশা মপা কোক্লদুনা ।

( ৫ )

অনিশুবা খোয়োন হাওবদু অমুক্ক থর চঙশিন্না

মী ঙদবা চীংমুংদ তপন-তপন চিংশিনখি

মী উদ্রগা লোহরে, মতম ঝাৎলি এইহাক্কী ।

# অমহাদনি ঐখোয়দি

শল অপুম্বা মানবা মহাজনগী
হকচাং অদুনা লমহাং য়ৌরক্লবদা
মবুক লাম্বা লংজা, পাইবা ঙমদ্রবা
চরি তংলবা লমহুই, খোংব ঙমজদ্রবা
কয়াদ হয়াওনা, মবুক থন্না চাজরিবা
পাইখ্রে লংজাসু
খোঙখ্রে লমহুইসু—
উহল লাংদ খুরিবা, মখোঙ নামা হাওগদ্রুনা
পাম্বা কৈশাল অদুনা থল্লকখি অসুম্বা
হি ঙৈদি, হিংঙৈনি—
শিরবদি ঐহাকপুসু
শিরবদি এহাকপুসু—
হাওবান শজিগী শদোং, ঐনা লাক্কুনা চাথিবা—
কে অদু হাংখ্রে, খুল পুম্বা হাঙোকখ্রে।
ওক-য়েন মখেদি,
অসুম্না খল্লি মখোয়না
অমহাদনি ঐখোয়দি—
করিশু লৈতে হয়াওনিঙাই
মীগীদমক্ত পোকপিরকপনি, ঐগীদমক্ত পোকচদে ।।

অল্লোগী মৈ

হিংলুগে লাকপা অমতা
শিদনা কনখিবা য়াওখিদে
অদুবু দাবীদি তাল্লমী—"হিংবগী মরম
চাওখৎপৈ
ইতোমত সুঙাইজবা
মীয়ামগী হিংজবা ॥"

কনাগুম্বগীসু—( দাবীদি )
শাবি লাও লাও চৎসি লাও
কল্লকপা য়াম্মী, কঙাওবা য়াম্মী,
মাংদ থারো লাও ।
মসিগীদমক্ত অচৌবা ডফিসার ওই
লৈবাক ঙাকই, হিংই
থবক শুই, শেল তাল্লি।
মীংচৎকীদমক্ত "হিনা শি"

নোংম নোংমগী হৌখ্রে
মীয়ামগী অতোংবা হোংদবা পুদুনা
মকুম্ম ! সমাজনা। চৎনবিনা
অদুবু চাল্লি অল্লোগী মৈ, মৈগুম্বা ঙসিকাও ॥

## নুমিৎ উদ্রবদা, মঙাল অমৈদ

(১)

মমা লক্ষ' ৮৪ দগী
থোক্লকপা জীব ময়াম্না
থিরি মাপ্পী মাগী
খল্লি ঐগী ঐগী।
সংসার অসি মসিনি
মফম অসি নত্তবা ॥

(২)

ঙসি ফাওবা চৎলি মফাক
নুংগী যুগকী মীদো চৎখিগনি ॥
করিগুম্বা—
মাবু ফংদ্রবদি মফম' সিদ
তারমগনি মাগী খুনাম
নুংগী যুগকী মীগী খুনাম ॥

(৩)

ইতিহাসনি লৈচৌগদবা
মীওইবদনি মাংখিগদবা (করিগুম্বা শকফম ওনখিদ্রুনা)
অনৌবা শক্তমগীদমক; অনৌবা
মতম অদুদদি;
রারী ওইগ্রগনি ইতিহাসনা—

( ৪ )

পুম্নমকসি ঈশ্বরগী খুত্তিন্নি
শোনসি ঐখোয় ময়াম্ন
শকশি মাগী লাইশোল ঈশৈ
খুরুমসি—" হে ঈশ্বর "
চাবগা ফিজেৎকা থাদবিরকউ, শুভ্রবস্থ
ঐখোয় নঙগী ঈশৈদ " শুজবা ঙমজদ্রে
নোমজবা ঙমজদ্রে ।। "

নঙগী লাইশং কৎচগে
লাইশংদ জগোই শাজগে
জয় ' ইমা লৈবাক মাণপুর
পৃথ্বী মালেমদা " মণিপুর " খঙহনসে

( ৫ )

চহি লিশিং কয়াই মমাংদ
হিংলম্মী অমথক ( জগৎ শেম্বা ঙম্বা )
চহি লিশিং কয়াগী মতুংদ
হিংলম্মী মীয়াম ।।
মসিনা ন্নাথল লৈবশিংগী
খম্মোইগী কাচিন্দ লৈজবনি
মশম হৌদবা কাংবুগী ।।

( ৬ )

চহি লিশিং কয়া—

কয়াই— মতুংদদি

মুমিৎকী মশক উররোই

হিমালয়দৈ উন কংখ্রগনি

পৃথ্বীদা জীব লৈররোই

অদুবু,

গ্রাক কয়াদদি জীব লৈখিনি

( অনৌবা খৃষ্টনা পোক্লমদাইদা )

অনৌবা সাইন্তিস্ট

অহাংবা নৈনবা অমনা

রাখলনা.

ঙসৈখে লৈতবা ১দা মাচুনা কাখৎথ্রগা

মাচুনা কাখৎথ্রগা

খোম্লাং মৈনা লাওরক্খি

ইতুং ইল্লকউ

লৈফম লৈরে—ইতুং ইল্লকউ

লৈফম লৈরে ।

ও !

লমহুই মতৌ তমদুনা
ইরি য়োং কাংবুনা
অনৌবা কবিতা কয়া
সিম্বোলিজমগী, পেন্দবগী
মচু শঙলি, সমাজগী মম্মি তানবা
অমুবা থোপ্পা, য়োং মানবা মকোক্তুগী;
মখোয়না য়েক্লি,
সখোয-মখোয়গী লাইরিক্ক
মমল য়ামজরবা মীতৈ নুপীবু
মমল য়াওদ্রবা, লমচৎ য়াওদ্রবা পুন্সি ১ ওইনা
হায়কররগা—
হিংবা হায়বসি লানফমনি
চাবা হায়বসি হিংনবনি
হিংবগী শিংনবা লানফমদা
লমচৎদি হায়কনু, নৈজবা পূম্বা য়েনগদবনি ।
লমৎচদি হায়কনু. নৈজবা পূম্বা য়েনগদবনি
কাওথ্রমাম্লে মপা-মপুগী ৱারী —
মীগী তুক্চবা লমচৎনা য়েকশিনবীবদগী হোৎনরিবা
করম্বা য়েংগী উপন্যাস, কবিতা ১দি ৱারেংনো ?—

থুগাইবতমক মহৈবা
মুর্ত্তি শাবদি ঙমদবা
করম্বা ?—
লাই শাবা য়োংয়াম কাংবু
লাই শাবা য়োংয়াম কাংবু
মখোয় 'সিনি সামাজবু শেমগৎলিবা
সমাজবু শেমগৎলিবা
সামাজ শেমগৎপা মাল্লিবা
য়োং তাৎতোবা হায়বদো
য়োং তাৎতোবা হায়বদো।
খিৎ তোক্লো মীতৈ নৈম
করিগী কপ্লি।
মীরান খাংবদগী লমজা পুদুনা
পোক্লকপা মচা কাংথুরা
হায়রৈনি নঙ নং.শিংনা
য়ুম্লেপ-য়ুম্বান চাবা
নঙগী িতন্নজবা কাংবুনা

## থরোই অহান্বা

অচুম্বগী য়ুম্ দম ওইবা গান্ধীজীগী
লাইরিক অমা পারিঙৈদ
ঐগী মুপীনা
সনাগী লিক, সনাগী খুজি
ঙসিগী য়েঙ্গাং হোবেলগীদি
ইমুংগী হনুবগী অনাবগী হিদাক
লায়েংনবা পৈশা, ইমুংগী দাবী
চাউরবা অর্থনিতিগী থেসিস অমা
ঐখোয় ইমুংগী পুশিল্লকখি
ঐ ঙাওখি—
ঙাওরবা নত্তমাল্ল, নৈতবনি
নিংশিংলকখি—
রানোম্নম্বা মুপাদুগী শেল—
নাম্ভরক্কুনা তারকখি
ফরাংদ থেৎলিবা ঐহাক্না
"নহা" ওইরিঙৈগী মীরাং যুরবা
ফোটো অদু খঙহৌদনা
মিত্তুৎখোংদ য়েংথোকখি
থেংনখি—
উখি—

শৈরেং/২/৭৬

ময়াংকংলবা পাডী শলদুদ
শাথিনা ফুবিখিবা মপুদুনা
মাল চিংত্রে হায়দুনা
ঐ তাখি,
উখি,
করিস্থু তৌবা ঙম্মুদে
ফম্লগা মীমুংশি পোকপা নত্তনা
ৱাল ঘড়ীদগী য়ৈরকখি
মাপল মথায়, মাপল মথায়
ঈকুজবা নংখিদে
অফিসতা অদুম চৎখি।
অস্থম্না অস্থম হিংবা মীওইবশিংসে
নিউজ পেপরগী লামায়দা
ম্লোংকোক, হুইকোক
গধামকোক, থেবমকোক
পান্দ্রুনা য়েক্লকখি কারতুন য়েকপদুনা
মসিনি পুন্সি তিংকাকোক ॥

## পংথহল্লন্মী

পারি,
অঙাংডুনা লাইরিক অমা
ৱাংলবা অধ্যাত্মীক্কা থল্লবা—"গীতা"
শক্লি ঈশৈ শজেনহাডুনা
মুরবা রাগ ভৈরবী—

তপ্না কায়রকখি নাকোংদ
করিগীদমক্তু হিংবিরিবনা ?
খুম্লকখি—মড়ুদি খল্লুদেনা

করিগী ?
চংখিবসিদি মুপা অমা থাদোক্তুনা

উৈহৈগী মহাওদা, ফজবা মুপিদা
লৈনি, হিংবগী অর্থ শোয়দনা
থোরি য়ান্দ্রনা শিবম্লীবা মুপাড়দি
অপাংবা তোবে, লৌনম খঙদবনিনা
অড়ুবু মা-মা ! ঐ-ঐ !—
খোঙথাং খুদিংদ
ৱাখল খুদিংদ, মীওইবগী শান্তি

শল য়াইনবদা শেল থানরি
খুন্নু তুনফমদা শাওনরি
মখা খয় শাংখনা
'য়ূক চৎলগা য়েংলুবদা
খেংনরুই—
পেনা শকপা অমখক্লা
খুমং ঈশৈ শকপদা ॥
ভাবা লাক্লিবা ভাবোক্তুনা
মকোক ভাওতুনা ওথোক্লম্মী ।
মমিৎ চোৎপী হন্নুবীদুনদি
ঙৈশারিঙৈ য়াফম নিংশিংলুরগা
ইন্নিবা ফি থাদোক্লম্মী
কয়াদ পামজনা তৌগ্রবা
থাগী তলব
লোংমগী খরচ
বীড়ী মচৈ অমগী দম !
বজেৎ !
চাগা—চাদিং
খঙ্‌চাদনা অনাবা 'মা য়াওরক্পদ,
মাংগী খোঙজেল লেপ্তুনা
তুংগী খোঙফমদা হল্লকই—
য়ুম লিলায়—

মস; লোইরেদনা ঙসি—
ইত্তোমতনা—
অঙাং মমা,অঙাং মরি
ইমা-ইপা অশোনবা
থাকপা ওয়রোই লোইরে !
মখোয়সু মখোয়না থোকপা
ঐসু ঐনা থোকপা
ওইগ্রনি ঙসিদগী বাল্মীকি
খল্লকুনা পংথহল্লম্মী—
কজরবা লিক্লীগী অহাওবা মহিক্তুনা—
সুঙাইবগী জান তাদবা মিংকুপ
লৈতবগী অয়াবা মিংকুপ
কাম্নদবা ময়াম নৈনবগী মিংকুপ
পূন্নমকসি ঐখোয়না য়ানা
ঐখোয় ইশাবু পংথহল্লম্মী—
ইশানা ইশাবু
মীনা মীবু ।

## ফংলকপা মীংচৎ

সহর অমদগী সহর অমা
লৈকাই অমদগী লৈকাই অমা
অসুম্না মী কয়ানা
অসুম্না মী কয়ানা
মাগী মমিং, ঐগী ইমিং
মাগী মমিং, ঐগী ইমিং
ইমিং 'সিদং লৈহৌনবা
মমিং 'দুদং থমহৌনবা
চারি মীগী শদোং মীনা
ওৎলি, মীবু শাগুম মীনা
অশুম্না ওস্না মীতনা
ওইখি লৈবাক্কী নিংথৌরেল ।

মসি ফাওবদা থাংলি, থাজবা অমগী মথাদ
হে থাজবা নঙগী কাম্নবা করিনো ?
মীগ মীগগী মরক্ত খেন্নরিবসিনা করিনো ?
খেন্নবা ম'ম্নবা করিনো ?
অচুম্ব অরানবা করিনো ?

অমত্তম্ব খণ্ডদ

পুন্নমক্কী বাংমদা থিরি ঐখোয় ঐখোয়না
ঐখোয়গী মীংচৎ মীবু ওৎ-নৈদ্রুনা

মীবু মীওইনা য়েংবা ঙমদবা
ঙসি ফাওবগী বাৱীনি, মসিনা মিংচৎ তানবগী
মীওইবনা পাম্মী মীংচৎতো, তাইবং পানব 'সিদ
হৌখিবা ইতিহাস থিৱুদে, ওইৱকপা অদুত মথানৈ
অঙকপনি মীওইবা ! মীবু মীনা থম্মিবা
অমবু ময়াম্না খাজরিবা
ময়ামদা অমনা থৌদারিবা ।

## খোঙচৎ অমা

খঙদে কনা চৎপ্রবা ঐগী মাংদ
খঙদে কনা লাক্কদবা, ঐগী তুংদ
মত্তম অমা মশাকই
নোংলৈ সুংশিৎ মৱাকুই
য়ৌগে খল্লুই ঐহাক্না
সুমিৎ তাম্রিদৈ মফমত্তুদ
সুমিৎ তাবনা মহানথি
লাওৱুই ঐনা—" ঐগী লম্বেল "
ঐগী খোঙচৎ-
কনাম্বত্তা চোংথোরক্তে চৎমিম্নবা ঐগা
লেপথি ঐ অদুমক লেপ্তুনা
কনাগুম্বা " অমা " ঙাইতুনা
লম্মাংনৱবা মফম অসিদ ॥

## বাশক

মণিপুর ইতিহাসকী চমম্ববা মতমনি
শামাম্ববা লৈবাক কয়ানা, "স্টেটহুদ" ফংনগ্ৰবা মতমদা
মণিপুর প্রজা পুম্বনা নিঙাইদনা লৈথোকখি
নোংমগী চরাগীদমক্ত, মাগী নুপিগী সনা থুজিগীদমক্ত।

"স্টেটহুদ" পাম্বা থম্মোই কাইরবা নেতা কয়ানা
মণিপুরগী কাচিন-কোয়া থুংনা, তুম্বা থুগাইদুনা—
"নুংশিজরবা ইমা ইবেল' দেশ বাসি পুম্বমক—
হয়েং অসিদংদি-মতম ঙৈদ্রাক্তং মাংবিদুনা লাকপিয়ু
তুকাল পুম্বমক থোঙ লোনবিয়ু, কৈথেল কাবিনু
ঐখোয় পুম্বমক পুম্না চংমিন্নদুনা স্টেটহুদ তানসি"

নুমিৎ অত্তুমক্তি, কাংৈজবুংদ—
শগোলমাংদগী, ককচিংদগী, মণিপুর প্রজা অয়াম্বনা
স্টেটহুদ তানবদা, ইম্ফাল সহর য়েংনমবগী—
অনকপনা মখোংনা, অরাপ্পদগীনা বসনা
থাবলনা শেগাক কায়রবা মতমদা
ককচেং কোকচাওবীনা মরি-মরি চৎপগুম—
খুরাই, খ্বাই, য়াইস্কুল, ব্রাংখৈদগী নেতাশিংনা লমজিংদুনা
কংগ্রেস, কম্যুনিস্ট, সোসিয়েলিষ্ট
লৈকায় পার্টী কয়া কয়ানা
সভা যাত্রা চৎখি, মীয়ামদা খঙহনখি—

লাওনখি
খোঙখি
নিলহলখি
তাহনখি—

ষ্টেটহুদ— পীগদবনি
ঐখোয়গী দাবী—ষ্টেটহুদ — —

কাংজৈবুংগী ময়াইদা শারিবা
নেতা কয়াগী বা ঙাংফম,
মীয়াম্না উনবা শাবা শগাইদুদ—ৱাংখৎনা
চিয়ারমেন খল্লে, সভাপতি ফমগ্রে,—
দোল খুদিংমক্তী কিয়াললনা, অতিয়া খেৎনা পাইগ্রে
সিঃআরঃপিঃ কাংবুম্ম মখুৎতা চৈ অমমম পাইগ্রে
থাং তুপী উপগ্রে
তিয়ার গ্যাস থোৱাংগ্রে
মেজিস্ট্রেট তৈয়ারিদ লৈগ্রে
ওরদর পীগদবদি ঙাইগ্রে।
নেতানা কাঁর হায়গ্রে
তাগদবগী প্রজা ঙাইগ্রে।

নেতা কয়ানা ঙাংগ্রে
অয়াম্বনা মায়না হায়গ্রে—।
"ঈরৈবাক্তীদমক্ত থরাই থাদোক্তনি
ষ্টেটহুদ ফংননবা তানগনি।"

চৈরক অসিদা—

অঙাং লমহেনবনা, খোয় মহুম থিনগাইরুবগুম
সিঃআরঃপিঃ গী খাং তুপীগা-সোরোক্কী নুংগা
চৈতুপকা মনঙনগা, বুটকা মরাইবক্কা
ভিয়ার গ্যাসকা, ভিহেলো মরুগা
নোংমৈ মরুগা, মরাল লৈজদ্রবা মীগা
লম্বা-লম্বা মুক্ররকই. গলী গলীদা
কাচিন-কাচিন্দ, লমহাং লমহাংদ—

নেতা অয়াম্বা মরৈবাক্কীদমক্ খনবা
য়াঙাং চযু হন্দোক্লনা শগাইদগী চোংথক্লনা চেনখি —
থরাই হিংলগা লোইরে খন
মখোয়না শগাই মথক্কু ভোংদুনা প্রজা মীয়ামদা য়াশক্লম্বগী
মরাল লৈজদ্রবা মুপী অঙাংনা মংদা পোথাখি—
মরায়বক ফবা, অন্দোলন্দা লৈখিদবা
মুপি অঙাং কয়া, " সহিদ " কাখি
মণিপুর প্রজানা শ্রদ্ধাঞ্জলি কৎখি

পি শিন্থখি—

নেতাগী শগাই মথক্কগী য়াশক্কীদমক
মণিপুর প্রজানা পি শিন্থখি

নেতাগী য়াশক্কিদমক

পি শিন্থখি

মরাল লৈজদবা মী শিখি ।

## কান্নদে, খল্লগুমসি 'মত্তা

ঐখোয়ন চৌংখাদ লেপ্তুনা লাওকই
চাওখংপৈ চৌংদোন্দ লেপ্লিবা অমদা
হে চাওখংপৈ মীওই, সভা জগৎকী মীওই।

তাঙ্গা 'সিদা—

লায়েকপদুনা ঐঙোন্দা লানশিল্লকখি
চমল্লবা সয়াঙ্গী অয়েকপা শক্তম অমা
মৈখুগা মৈগা তিন্নবা, মৈরিকপীদগী মৈজাওবী।
চমল্লবা অনিগী মরম খঙকোদনা ফমথখি ॥

তাঙ্গাসিদা—

চংশিল্লক্কনা কানি চাবদুনা চিরেমৈস্ত্রে—
নাকোংদ তুমিন্না—
মনাৎ য়াওদ্রবা তাইবং
অচুম্ব লৈত্রবা মালেম
ধর্ম্ম য়াওদ্রবা সংসার
অসুম্না চাওখৎপবু পাম্লীত্রা ?
খল্লুম্ন, অমত্তা, খল্লুম্ন—তুম্মু
কানিসি থকচিল্লগা পংবমখৈ
কান্নদে খল্লগুমসি অমত্তা—থম্মোই মন্নবনি।

## লমহুই নাহেবগী শাসন

কুদগী হোগংলকপদা ভাইরিবা
অশোনবা নাহেবা লমহুই অদুনা
শামুগণ্ডা, কৈ, শওম, য়োংজাও মরক্তা
রায়েল কাট্রি লাক্কুনা, সিংহাসন ফম্লি—
নায়ক-শিংলক, লোক-তাই
চীং-মান্দগী উকু-রাকু শেভুনা লাক্লগা—
লৈবাক নিংথৌ শেম্লগা, রায়েল শাসন তৌবা উবদা
ব্রহ্মানা মকোক হাপচিনগে খন্দুনা
শন্থি হানবা মকোক খর
লাইগী মকোক ওইবা খর
খর পুরক্তুনা
থুংহৈবা মিসত্রি পুরক্তুনা লাকখি।
লাইগী মকোক্তি হাপ্লমদ্রে
শন্থি হানবা মকোক হাপ্লম্লগা
লেংগ্রে ব্রহ্মা স্বর্গদা—
হরাওনরে, চোংঙে মীয়াম—
মকোক য়াওনরে হায়দুনা, অদুবু রায়েন শাসন্দি
অদুমক তৌরি কুদগী হোগংলকপা
লমহুই নাহেবা অদুনা।

# পুবিথি ঐবু মানা পৃথিবীদগী

পুবিখি ঐবু মামা
পৃথ্বীদগী মফম অদুদ

ও ইবংদস্ত মঙদস্ত ঐনা উত্রিব
মাখলদস্ত থম্মোইদস্ত করিগুম্বা ফাওব্রিবা
মফম অদুদনি, মানা পুবিব।
মফম অদুদনি, ঐনা য়েংখিবা।
সনাগী সহর, সনাগী দলান
সনাগী লৈবাক, সনাগী থাবল ॥
পুবিখি ঐবু মানা, পৃথ্বীদগী মফম অদুদ ॥

ঙজিত্তী ঐখোয় তুমথরে
ঙজিত্তি ঐখোয় তুমথরে
কা অদুদ মাবু ঐনা থনম্বা
তুমথখি ইতোন্ত চাংয়েংনি থন
পুন্সি চাংয়েং অমনি থন
ঙ'শিবদি লৈ মতম চুপ্পদা
য়েরুবদি লৈতে মতম থুদিংদ
ঐবু লমজিংবিখি অমুক্কা অমোবা
লম্বী অমদা মানা খুৎশম্নচুনা।

ঐনা খঙনিংবা য়াহংগী পাউথুম
অহুম্না পিখি, হংক্রিটৈদ পাউখুম
ঐনা খংনিংবা পামজবা পাউখুম
অনৌবা য়ু। লৈবাক্কী য়ায়াগা।
চুপিনখি ঐগী য়াখল মতমগা।

খোঙম্না চঙ্কে ঐগী শায়না
অশানবা খোঙচৎমদগী ঐখোয় অনি
'চুমক লেপ্পুম্না চৎলি ঙসিফাও

হে তাইবংপান—
য়োংলকউ মখোয়না ঐবু
উখিনি মখোয়না ঐবু
মফম 'সিদা
লৈচিনগী দোলাইদা তোংচুনা
চটি চা কয়াদগী লৈরক্লবা মফমসিদ
হোৎনরকউ—
হোৎনরকুই, ঐদি কয়ারক্
পৃথীদগী মফম অহুদ পুখিবা
মানা ঐবু কয়ারক হন্না, হন্না হন্না কয়ারক্।

## সাহিত্যগী য়াওল্

মউন শেংখি
অহৈ-অপা শাবা কুটিক খর,
অনৌবা কবিগী মখুজিন তরানা
ফক্লাইদুনা ঈ থকখি, ঈ খুজোক খুজোক
পেন্না থকচিনখি—ঈ খুজোক খুজোক

খর লৈবগা খবরদা থেংনখি-
মীগীনা ঐগী ওইথোকপা
কবিগী মউল লিংলম্বা য়াখল য়াইবা গধা খর
সাহিত্য বিপ্লবী খরনা য়'হৈগী নোংমৈ কাপশিন্দুনা
মশা ফাওবা থিব খণ্ডনা হাংখিবা

মতম অদুদ লাওরকখি
ফেরুং পাউ অমনা—
মৈতৈ লৈবাক শিনবা থুংনা
তাদবা তাহৌরো, তাহৌবসু খণ্ডহৌরো
পোকপ্রবনি য়াঙ্বাজি, খোঙনাং থাবা,
কোনোক থেঙ্গ্রা, অমুক হন্না
মপোক অমা অমুক হন্না ।

সনথোং অনি ঃ—

ঙরাং ঙ্গসি হয়েংনা কোয়শিল্লবা
মতমগী মীরোলনা চৎখি
হয়েংগী থাজবা ফংনবা
কোয়শিল্লিবনি পল্লোল পল্লোল
পিল্লবা পৃথ্বীনা চাওরবা জগৎপু
পৃথ্বীনা চাওরবা জগৎপু
কুমথরকখি পৃথ্বীদগী পৃথ্বী তম্না
মী কয়া,
হঙ্গৎখি ইতিহাসনা ইতিহাস তম্না
নিংথৌরোল কয়া,
তান্নরকখি মীওইবনা মীওইবা তম্না
মতম কয়া।
য়াংখৎখি লৈচিলনা লৈচিল তম্না—
ঙমখৈ কয়া।
অদুবু ঈরোলন্নুংদ ঈরোলন্নুংদ
লৈরোল চনখি, লৈরোল কয়া
কাওগ্র লৈরোল লিশিং লিশিং
মশিং থিংঙমদবা লিশিং লিশিং

সত্য যুগকী য়ায়ীদা
থরাই মঙা পানবা মীনা
অচুম্বা মমাই পান্দুনা হিংলম্মী
মশা অনি পাললম্মী
মরোল তয়ামরি কোয়নবা ।
লম্নোংদ লেপ্তুনা কদোমদা কদাইদা ?
কদোমদা কদাইদা ?
তথকপা মিৎয়েংনা মাইকৈ লেপ্লবা লাক্লরি
লমথুংফম য়োনবা লম্বেল ।
লমথুংফম য়োনবা লম্বেল ॥
মপুক্লিংনা চংশিনবদনা মশানা চৎলু য়াদবা
মশানা চৎনিংবদনা মশানা থললু ঙমদবা ।
লম্বেলদা লাইদোনা তৌরবা মীওইনা
মি কয়াগী য়াথল ওইহনখি
মি কয়াগী য়াথল ওইহনখি ॥

অসুম্বা, অসুম-অসুম, অসুম অসুম
চায়োল শুথাং লিশিং লথা য়ৈনা
অসুম-অসুম অতৎপা নৈতনা নৈরক্লবসিনা
ঙসিদি পাখংবা ফম্বাল কারে
তাইবং পুম্বা হয়াঙরে

মথৌবুংদ

য়াকাবুংদ ॥

--'তুবু, লেম্পদি খক লৈতে

কোয়শিল্লক্লম্মী পল্লোন পল্লোন

অস্তন্না অস্তম খর-খর, খর-খর

মাইকৈ পুম্বদৈ খর-খর, খর-খর

পৃথ্বীদগী পৃথ্বী তম্না খুন্দ্রাগ্রবা

মীয়াম ময়ামদুনা চপশিল্লক্লীবগী মরক্ত

পুন্সি 'সিগী লান্মী ওইদুনা চোংথোরকখি।

শেম শাখি লান্মী তেঙ্গোল-তেঙ্গোল

লাম্থেংননবা 'পান' গী কাংবু অসিবু।—

তাঙ্গাসিদা থৌনা হাপকৎলুকই

অকনবা নোংশাগী লাল্লাওদা

অনৌবা নোংপোক পাম্থোইবীনা

চংশিল্লু-য়'ল্লু

পোকপদৈ শিজরক্লবা মী হাৎলু—।

অদুবু—

কলি যুগকী অরোইবা কুমজা চংলক্লবদা

অহিংবা

থরাই মরিনা শাবা মীচুদি

থাক্লম্মু, অনৌবা চারোল-শুরোলগী

তাইবংগী লিচৎ মাংদনবা, তাইবংগী।

লাল্লাও-খোল্লাও তাবদা

শেম শাদুনা লাল্মী তেঙ্গোল চেনশিনখি
অনৌবা খৌনাগা, অশাংবা থাংশাংগা
শিননবগী হিংবা কাংবুদ চোংশিল্লি, য়নি
চোংশিল্লি য়াল্লি, শিননবগী হিজবা কাংবুদা।

শিজরবা মী হাৎলুবদগী
ময়াই কারক্লবা লমহুইনা চিক্লক্লবা হুই অচাওবগুম
কোয়চেল চেল্লি, মনিং তমলে কায়দুনা লাও-খোংদুনা
তেঙ্গোল ময়ামদুনা লাওখি, নিং-তমলে হুজিক্তৌ
নিং তমলে হুজিক্তৌ॥

অদুবু খাজিল্লি চেকপলনা পল্লোন-পল্লোল
খারিবা পল্লোন্দা তেঙ্গোল মরক্তগী থরনা
অমম্বা অফিংদা চেন্থোরকলে, লোম্না-তপনা বনা খঙদ
কৌনদুনা মখোয় খর
কৌনদুনা মখোয় খর

অদুবু পূম্নমক কান্নখিদ্রে
মাইকৈ অমত্তুদা চৎপা য়ারমদ্রে
খাজিল্লমলে চেকপলনা পল্লোল পল্লোল
চেকপলনা চেকশিন্না হাংনা চাওনা
কাখৎকে চেন্থোক্কে খন্দুনা মাকই
কাখৎকে চেন্থোক্কে খন্দুনা মারুই
মারুবদা থেংনখি,

চেকপলদুদ লকাং চারম্নবা
অহকপা অশাবা মূর্ত্তি কয়া
খঙবা ঙমখিদ্রে, লাকশিনবা ঙমখিদে
কনানা করিনো হায়বা তেঙ্গোলদুগী মরক্তা
কনা অমত্তনস্ত তাংদাংবা মশক, তশেংবা ॥
অসুম্না লৈরিভৈগী তাল্লক্তা
থাশি নিনি রাংলৌভৈগী থাবল মঙ'ম্না
মঙালনা ল'নবলদুদ পুমঙাল ঙাম্ন ফাওজিল্লকখি—
অমম্বা পুম্নমক কোকহন্দ্রনা অমম্বা
থাবল মঙালনা যৈদুনা অমম্বা ॥
অসুম্না অসুম স্নেংখিবদা থেংনখি
মাইকৈ ভম্না অমুকস্ত—
ফাওরবা টানসেনগী ঈশৈগী সুর খোঙ্গেলবু
মফম অদুদ পৈশিন্দ্রনা থনম্বা
মাইকৈ অমদনা—
লাই কোটি ৩৩, বুদ্ধদেব, যীশু, কৃষ্ণ
মাইকৈ অমদনা—
হেঙ্গুনহা, থোইবী, নো'মাই পেঙঙা
অমত্তস্ত ফক্তাইবা ঙমদ্রে,
অমত্তস্ত কিম্নবা ঙমদ্রে;
খর মখৈনা ঙসাইদগী
লানবন্দ্রদগী চেম্নোকখিনবা ল্যাক্রবদা

চোকথরবা মশাশিংডু থাবলগী মঙালগা
নোঙাল্লমদাই সুংশিৎনা য়ৈবদা
তুমখুল হুল্লি সুঙাইনা, তুমখুল হুল্লি সুঙাইনা
হোৎনবগী মহৈ য়াম্রবা
হকচাং অডুনা লোংনা তা—
অমখক্তংদি চোকথরবা মশানা
মনা য়াওব্রবা উ-পাম্বী অমগী মশাদ
ঙাথডুনা য়েংলি, থাবল মঙালনা য়ৈরবা
অহকপা অশাবা মূর্ত্তি কয়া, শক্তম কয়া
অমমমত ওইনা, অমমমত ওইনা
মথং-মথং, অসুম-অসুম
অমুক য়েংবা হোৱকই—
য়েংলি মিৎ কুপ্তুনা, য়েংলি মিৎ কুপ্তুনা
চংশিন্দুনা য়েংলি, মাডুনা য়েংলি ।
অমুক্তু থেংনখি, উখি
মহাভারতকী লানফমদা য়েক্লবশিংবু থুৎলাইনা নমহল্লুনা
হকচাংগী ঙমখৈদ জয় তৌরবা মাই পাক্লবা অর্জ্জুনা
নিংহম্লবা লৈতনা থম্মোইদ চাওরবা লম্ভেংনরিবা
অডুডৈদগী—
( মতোম্ত ) ঙসিসু লোইদ্রি
হয়েংসু লোইখিরোই পৃথ্বীনা লৈরিমখৈ লোইখিরোই
থম্মোই য়াকমগী বীচার

কমানা লেপকনি
খম্মেইগী লোইবা নাইত্রবা রাকৎপু ।
মতম অদুদ
মানা ঙাখরিবা মনা য়াওত্রবা পাম্বীদুদ
নৈ পোম্নকখি, শাৎখি, অদুদৈ কেনখি
অসুম অসুম ! অসুম ! অসুম অসুম
লেকথরকখি চোখরবা মশাদু
উইথরকখি
পংথরকখি
অসুম্বা ঙৈহাক উইরোল ভোরুরগা
মিৎকপ খোররুবা মতুংদ, মাইকৈ অমদা 'মুক
ওনশিন্দুনা য়েংখি
থে'কফম নৈত্রা খিখি
কদায়দা হকচাং চনবা মফম নৈরিগবা ?
কদায়দা অঙাংবা খোকখিনবা মফম নৈরিগবা ?
করি খঙি,
লোংন হায়খৈ
কোক্ত খুৎ হাপ্তুনা
হান্নগীদ ঐবু অসুম
হান্নগীদ ঐবু অসুম
কদায়দনো ? কদায়দনো ? ঐনা নাম্মোকদবা ?
অসুম্বা চঙকরিঙৈদ

উচিন নাচিন্না অতোপ্পা ম্নথোং অমা থেংনরে
চপ মুংনা খল্লে—
মসিদগী হল্লক্লরোই খন্দুনা
শৎলে পৌরোল তপ্পা,
ঙাংদোক্লে থোং
মসিনা হেন্না ঙকথ্রে 'মূক্কা
ঈরৈ কয়ানা উংশিল্লবা ঈরাওখোন্না থম্লবা ঈপাক
ঈপাক্তু উবদা সমুদ্রদগী হেন্না পাব্রবোই নিংই,
নৈথ্রি ঈপাক্তু শরা শন্না
থম্মোইগী অপাম্বা পেন্দবা কল্লক-মীহৌগী
ঈরৈশিংনা খূরক হাংদমখৈ, তাসিন তাসিন উংশিল্লিবা
নৈথ্রি মিৎয়েংনা লাকশিনবা ঙহৈ ৱাংমদা
খল্লি,
লাম্থোক্লবদি ঈপাকসে, মানা নিংজরকপা কয়দু
শোয়দনা ফংগনি হায়বৈ আশাদ
হোনগে খল্লে হি, পাইখৎলে নৌ
নত্রগা — কবিৎস্ব ঙমদ্রগা
উঙামদা কোল্লগা লাম্থোক্লগে খল্লে।
থৌরাং পুম্নক্ লোইথ্রে.
যেংকৈ. মশাগী ফিভম, মথৌনা—
মশাগী ফিভমনা চহি তথ্বাই চল্লবা
মমি শাম্লবা ফজবা মাংলবা হকচাংদ,

অমুকস্তু য়েংই ঈপাক্তুদ
অনিদু চাংদম্নরুরগা চঙক্লদুনা মুপাদু
শিরবস্তু ঐ তেঙ্গোল লক্ত ঐ
চংশিনখি তুংহম্নদুনা অমম্বদুদ
অদুবু. য়েংলুরগা তাকশি শোনখি—
ঈপাক্তী য়াংমদা নোংবা মঙাল
"মতম চুম্নগী মুঙাইবা ফংগদোবা মতৌ
লাম্থেংনবা লৈতবা, লৈতাবগী য়াখল।"
কমথখি 'মুক ঙাথদুনা
ঙসাই ঙাথখিবা মনা য়াওদ্রবা পাম্বৈদুদ॥
অদুবু চপশিল্লকপদি লেপ্তে
অস্তম অস্তম ক্রক ক্রক
চেকপল্লশিংদুনা অস্তম অস্তম ক্রক ক্রক
অতংপা লৈতনা ক্রক ক্রক
মাইকৈ মরিমক্তগী ক্রক ক্রক
উপায় লৈত্রে খল্লদুনা
অমুক্তা পোথাপ্লে উ-পাম্বৈদুদ ঙাদুনা—
য়েংবদি লেপ্তে—
অস্তম্না অস্তম য়েংখিবদা
থেনরক্লে তমগা অমুক মথোংগী পুরোল
লৈজবী থাদুনা ঙমজবা উত্তুনা শংলে পুরোল

চৎলগে নিংলে এম্বো থাঙ্গৎলে
হিংলে থম্লে, চেংগে নিংলে
অদুবু, মিংচম্লবি লম্বেল্দু উবদা
মাগী লৈরিবা শ্বগা পান্থুংক্মগা য়েংনবদা
থজাননা লেপখি
লেপ্লুনা য়েংঙসি শুবংগী লম্বেনচুগী
লমথাকম অদুদৈ, মিৎয়েংনা ভম্নখৈ
য়েংবদা উথি লোকচপকুম্বা অহুম অশুম
চুইদেম শানা থুজিনখি—
মুশিন মুশিন ইমম-মম, মিৎয়েংনা পনখি
লাওরম্বদগী চপ্না খুজিমখিবা, অমম্বা লম্বেল।
( মতোন্তু সুংশাস্বম শাংনা হোন্দোক্লগা )
কমদোনা লম্বেলসিদ খোঙসি থাংশিগে
খল্লিংগী তাল্লক অসিদা
অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ অমগা লোয়ননা
লৈফুল-লৈচেং, নমথিবা মনম
শরু-ঙারুগী ১চেৎ মচেৎ, মাহেখোল, তেংথাখোল
চৈরকসিদ মীগী মশাক মাত্রিবা
মথাগী তঙ্খাইনা মীওইবা
মথককী তঙ্খাইনা শাওইবা
মীরোল-শারোল পুম্না ঙাংবা অমনা
অশুম অশুম মাগী মাইকৈ তম্না

অস্তুম অস্তুম ম্মাগী মাইটৈক তম্না
কিমমত্রতুনা খোঙ থিংজিনত্রে
পৌরোল থাজিনত্রে
হায়গুম মুকস্ত সুপাতু
চেকপলনা ইথ' থাজিনবা লানবন্দুদা
চেকপলনা ইথা থাজিঙ্গতুদ অমুক্ত
উপাই লৈত্রতুনা ফমথখি
ফমথখি, তুমিন্না চুবা মেৎতুনা
ভোইথি পাম্বৗতুদ হায়গী
অদুবু
লানবনদুগী চেকপলনা চপশিল্লকপদি
খক লেপ্পা লৈতে
খর-খর ! অস্তুম অস্তুম
মগৈথংদদি অস্তুম অস্তুম চপশিল্লকপনা
অস্তুম অস্তুম চপশিল্লকপনা
লানবলগী অকোয়বা চেকপলদুনা
শুপ্লগী ফুট ১০০গী অকোয়বত্তমক ভাইশিল্লক্লে ·

থক্তদি ঙমগৈ লৈতনা ম্বাংই—
পাইথংপা ঙমদে
থাদ ঙমগৈ লৈতনা লুথখি—
তৌবগী লোইদে—

কদোমদনো ? কদায়দনো ?

কদোমদনো ? কদায়দনো ?

লেপ্পুনা চপশিল্লক্রবসিদা লাওরক্ই খোল্লাও থাদনা
লৈজবী থাদনা, মখনাও শেগাইমখৈ
কল্লা-কৌনা লাওনা পৃথ্বী শেগাইমখৈ
ব্রজ ১০০০ তাথরকপৈ মখোলগা মান্নখৈ
ঐতদি হায়দুনা 'ঐতদি' ।

অদুবু লেপ্পুনা চপাশিল্লকই
লেপ্পুনা অস্পম চপশিল্লকপনিনা লেপ্পুনা
অস্পুনা চপশিল্লকপনিনা লেপ্পুনা
[illegible]গী মিৎয়েংস্ত অস্পম ২ খুজিল্লক্লি—
[illegible]ৌ ১০০দগী ১০´ ৯´ ৮´ ৭´ ৬´
৯´ ৮´ ৭´ ৬´

অস্পম্না লেপ্প লৈতনা চপশিল্লকপসিনা
কোয়শিল্লক্লীবা চেকপল খুদিংমক্না
অমগা অমগা থেঙ্গাইনরক্কুনা
নিংখাইরকখি লানবন অদু
পুক্লিংনা পাংদিংলম্লবা মুপাদুগী
ইতিহাসস্ত নিংখাইরকপদা য়াওখি
অস্পম্না লোইশিনখি মী-মীগী ইতিহাস
মতম অদুদত ইহাং হাংখি মফমদু
স্নথোং অনি ফংন-ফংনা
হোৎনবা কিদুনা থোকখিদে
অদুমক শিখি লানবন্দুদ ॥

MANIPUR UNIVERSITY LIBRARY. CANCHIPUR 132 Man

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible] [illegible]

[illegible] [illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]